### সব-জুনিয়র নেসনল ৱিমেন্স হোক্কী

## মণিপুর ঝরখন্দগী মখূৎতা মায়থীদুনা টুর্নামেন্টতগী মপান থোকখ্রে

ইম্ফাল, মে ১৭ (ঐচএনএস):

মণিপুরনা যূম্বু ওইদুনা চথরিবা ১২শুবা হোক্কী ইন্দিয়া সব-জুনিয়র ৱিমেন্স নেসনল চেম্পিয়নশিপকী ঙসি নুমিদাংৱাইরম খুমন লম্পাক হোক্কী ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা পুল বিগী অরোইবা মেটচতা ষ্টেটকী নুপীমচাশিংনা হোক্কী ঝরখন্দগী মখূৎতা ১-৪দা মায়থীদুনা টুর্নামেন্ট অসিদগী মপান থোকখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী গ্রুপকী লীগ মেটচশিং ঙসি লোইশিনখিবগা লোয়ননা ঝরখন্দনা পোইন্ট ৬ ফংলগা পুল বিগী ৱিন্নর ওইদুনা ক্বার্টর ফাইনেল চঙবা ঙমখ্রে।

হোক্কী হরয়ানা, উত্তর প্রদেশ হোক্কী, হোক্কী মধ্য প্রদেশ অমদি হোক্কী মহারাষ্ট্রনা পোইন্ট ৬/৬ ফংলগা পুল এ, সী, দি অমদি ঈগী ৱিন্নর ওইদুনা ক্বার্টর ফাইনেল চঙবা ঙমখ্রে।

মণিপুর হোক্কী অমদি হোক্কী ঝরখন্দ অনীনা শান্নখিবা মেটচতা টিম অনীনা অহানবা ক্বার্টরগী শান্নবদা লম্বা মান্ননা শান্নদুনা গোল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা দ্রো ওইখি। অনীশুবা ক্বার্টরগী শান্নবদা মণিপুরগী নুপীমচাশিংনা খূদুম চন্না শান্নখিবগা লোয়ননা গোল চনবা য়াবা তাঞ্জা অনী অহুম ফংলবসু গোল ওন্থোকপা ঙমদনা লাকখিবা অদু ক্বার্টর লোইরমদাই মুতুম প্রিয়ানা ফিল্ড গোল অমা শান্নবগী ৩০ শুবা মিনটতা চনশিন্দুনা মণিপুরনা ঝরখন্দবু ১-০দা অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা মাংজিল থাখি।

অহুমশুবা ক্বার্টরদা ঝরখন্দগী বিনিমা ধননা শান্নবগী ৩৮শুবা মিনটতা ফিল্ড গোল অমা চনশিন্দুনা স্কোর ১-১দা লৈহনখি। টিম অনীনা স্কোর মান্নরবা মতুং ঝরখন্দগী নিশি মিঞ্জনা ফিল্ড গোল অমা শান্নবগী ৪৫শুবা মিনটতা চনশিন্দুনা মণিপুরবু ২-১দা অহুমশুবা ক্বার্টর লোইবা ফাওবদা মাংজিল থাখি।

ঝরখন্দগী নুপীমচাশিংগী খূদুম চনবা মখা চথরকপা ওইনা অরোইবা ক্বার্টরগী শান্নবা হৌরকপা কুইদ্রিঙৈ নিশি মিঞ্জনা পেনাল্টি কোর্নর অমগী মতেংদগী শান্নবগী ৪৭ শুবা মিনটতা মহাক্কী অনীশুবা গোল চনবা ঙমখি। মখা তানা ঝরখন্দগী পেনাল্টি ষ্ট্রোক অমদা বিনিমা ধননা শান্নবগী ৫৪শুবা মিনটতা গোল ওন্থোক্তুনা মণিপুরবু ৪-১দা মায়থীবা পীরম্লগা ক্বার্টর ফাইনেল চঙবা ঙমখিবনি।

অমরোমদা, পুল দিগী ঙসি অয়ূক শান্নখিবা অরোইবা মেটচতা হোক্কী মধ্য প্রদেশনা হোক্কী এসোসিএসন ওফ ওড়িষ্যাবু ১-০দা মায়থীবা পীখ্রে।

মধ্য প্রদেশকী অমত্তা ঙাইরবা মায় পাকপগী গোল অদু গুনগুন কোরনা পেনাল্টি কোর্নর অমগী মতেংদগী শান্নবগী ২২শুবা মিনটতা চনবা ঙমখি।

মেটচ অসিদা অম্পায়র ব্রোন্সন অমদি টিৱারি অর্চনানা মধ্য প্রদেশকী শান্নরোয় হির্ভা পুরোহিট, পুজা কোরি অমদি প্রিয়াঙ্কা বালমিটপু শান্নবগী ১৩, ২৯ অমদি ৩৪ শুবা মিনটতা অদুগা ওড়িষ্যাগী দিপিকা বৰ্রা অমদি সুরেখা বাহলা শান্নবগী ৫ অমদি ৪০শুবা মিনটতা গ্রীন কার্দ অমমম্ বূক তৌখি।

অতোপ্পা পুল এগী অয়ূক শান্নখিবা মেটচ অমদা হোক্কী হরয়ানানা হোক্কী বেঙ্গলবু ৭-০দা মায়থীবা পীখ্রে।

হরয়ানাগী মায় পাকপগী গোলশিং অদু সেজলনা শান্নবগী ৪, ৪১ অমদি ৫৬ শুবা মিনটতা গোল অহুম, কেপ্টেন সাবিনা শান্নবগী ৯ অমদি ২৯শুবা মিনটতা গোল অনী অদুগা প্রিয়ানা শান্নবগী ২৫ অমদি ২৭ শুবা মিনটতা ফিল্ড গোল অনী চনবা ঙমখিবনি।

অতোপ্পা পুল সীগী ঙসি অয়ূক শান্নখিবা অরোইবা মেটচতা উত্তর প্রদেশ হোক্কীনা ছটিশগর হোক্কীবু ৮-২দা মায়থীবা পীখ্রে।

মায় পাকপগী গোলশিং অদু পুর্নিমা য়াদবনা ৫, অদুগা কোমল পাল, পিতম্বরি কুমারী অমদি ভন্দনা পটেলনা অমমম্ চনবা ঙমখি। ছটিশগরগী গোল অনী অদুনা গীতা য়াদবনা চনবা ঙমখিবনি।

অতোপ্পা পুল ঈগী ঙসি শান্নগদবা মেটচ অমদা দেল্লী হোক্কী রিপোর্ট তৌরদবদগী ফোর্ফিট তৌদুনা হোক্কী মহারাষ্ট্রনা ৫-০দা মায় পাকখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী ক্বার্টর ফাইনেল মেটচশিং থা অসিগী ১৯দা শান্নরগনি।



### বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট সুব্রোটো ফুটবোল হৌদোকখ্রে

## কৈনৌ হায় স্কুল, বিষ্ণুপুর স্কুল চহী ১৭ মখাগী অহৌবা নুমিৎতা মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, মে ১৭ (ঐচএনএস):

দিষ্ট্রিক্ট য়ূঠ এফেয়র্স এন্দ স্পোর্টস ওফিসর বিষ্ণুপুরনা শীন্দুনা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী ওইবা ৬১শুবা সুব্রোটো মুখর্জী ফুটবোল টুর্নামেন্ট ঙসি বিষ্ণুপুরগী মিনি ষ্টেদিয়মদা হৌদোকখিবগা লোয়ননা কৈনৌ হায় স্কুল অমদি বিষ্ণুপুর হায়র সেকেন্দরি স্কুলনা অহৌবা নুমিৎকী চহী ১৭ মখাগী কাঙলূপ্তা মায় পাকখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিদা চহী ১৭ মখাগী কাঙলূপ্তা পূন্না টিম ৭না শরুক য়ারি অদুগা চহী ১৪ মখাগী কাঙলূপ্তা পূন্না টিম ৮না শরুক য়ারি।

চহী ১৭ মখাগী ঙসি অয়ূক শান্নখিবা অহানবা মেটচতা বিষ্ণুপুর হায়র সেকেন্দরি স্কুলনা কমপ্রিহেন্সিভ ইংলিশ স্কুল ওইনামবু ২-০দা মায়থীবা পীখ্রে।

বিষ্ণুপুর স্কুলগী মায় পাকপগী গোল অনী অদু সোইবম সন্তোশ অমদি কে ঐচ মংলেম্বনা শান্নবগী ৬ অমদি ৩৫ শুবা মিনটতা চনবা ঙমখি।

কাঙলূপ অসিগী অয়ূক শান্নখিবা অতোপ্পা মেটচ অমদা কৈনৌ হায় স্কুলনা নিংথৌখোং হায় স্কুলবু ২-১দা মায়থীবা পীখ্রে।

এন ন্যুটন অমদি এম পূন্সিবনা শান্নবগী ১৬ অমদি ৫২ শুবা মিনটতা কৈনৌ স্কুলগী মায় পাকপগী গোল অনী অদু চনবা ঙমখি। নিংথৌখোংগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদুনা ঐচ মাইকেলনা শান্নবগী ১৪ শুবা মিনটতা চনবা ঙমখিবনি।

অমরোমদা, চহী ১৪ মখাগী ঙসি নুংথিল শান্নখিবা মেটচ অমদা টি জি ইংলিশ স্কুল বিষ্ণুপুরনা ইথাই খুনৌ হায় স্কুলবু ৪-১দা মায়থীবা পীখ্রে।

টি জি স্কুলগী মায় পাকপগী গোলশিং অদু এস ঐচ য়োহেনবনা শান্নবগী ৯, ২৯ অমদি ৩২ শুবা মিনটতা গোল ৩ অদুগা টি ঐচ দাইমন্দনা শান্নবগী ১৭ শুবা মিনটতা গোল অমা চনবা ঙমখি। ইথাইগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদুনা এস ঐচ য়াইফবনা শান্নবগী ১২ শুবা মিনটতা চনখি।

অতোপ্পা কাঙলূপ অসিগী নুংথিল শান্নখিবা মেটচ অমদা উৎলৌ হায় স্কুলনা ইম্পেটস স্কুল থিনুঙ্গৈবু লাকচনা ৬-০দা মায়থীবা পীখ্রে।

হৌদোকপগী থৌরমদা য়াসকী দেপ্যুটি দিরেক্টর টি থৌবনা অথোইবা মীথুংলেন, দি ৱাই এ এস ও বিষ্ণুপুরগী ৱাই ইবেয়াইমনা থৌরম মপূ অদুগা য়াসকী এসিষ্টেন্ট দিরেক্টর এল অনিতা অমদি দি এস এ বিষ্ণুপুরগী প্রসিদেন্ট এল নবনা অখন্নবা মীথুংলেন ওইনা শরুক য়াখি।



## ভি এস এ সোরাগী শান্নরোয়শিংগী য়ুনিফোর্ম য়েন্থোকখ্রে



ইম্ফাল, মে ১৭ (ঐচএনএস):

য়ুনাইটেদ ভেটরান ফুটবোল এসোসিএসন মণিপুরনা শীন্দুনা চথরিবা ৪শুবা সঙাই ট্রোফি ভেটরান ফুটবোল চেম্পিয়নশিপতা শরুক য়ারিবা টিম ভেটরান স্পোর্টস এসোসিএসন (ভি এস এ) সোরাগী শান্নরোয়শিংনা শেৎনবা য়ুনিফোর্মশিং পল্লেল গ্রাম পঞ্চায়টকী প্রধান এম দি মুকিমুদ্দিননা স্পোন্সর তৌদুনা ঙসি মহাক্কী ময়ূমদা পাঙথোকপা অচম্বা থৌরম অমদা য়েন্থোকখ্রে।

থৌরম অদুদা প্রধান এম দি মুকিমুদ্দিননা ফোঙদোকখিবদা, হকচাং ফবা অমসুং নাদ-য়েক্তবা পূন্সি হায়বা পান্দমদা কুমজা ২০১৭তা সোরা অপূনবগী চহী লৈশিল্লক্লবা শান্নরোয়শিংগী এসোসিএসন ভিএস এ সোরা অসি ককচীং জিল্লা পরিষদকী উপ-অধ্যক্ষ এম দি নিজামুদ্দিননা প্রসিদেন্ট ওইদুনা লিংখৎখিবনি হায়খি।

মহাক্না মখা তারদুনা মশা-মঊ ফবা, নাদ-য়েক্তবা খুন্নাই অমা ওইহন্নবা হোৎনবদা অমদি এসোসিএসনগী তুংদা পাঙথোক্কদবা থবক থৌরমশিংদা মহাক্কী মায়কৈদগী অঙন্বা মতেং মখা তানা পাংখিগনি হায়খি।

## এম বি এনা খঙহল্লক্লি




ইম্ফাল, মে ১৭ (ঐচ এন এস):

মণিপুর বেদমিন্টন এসোসিএসনদা নৌনা এফিলিএট তৌনিংবা দিষ্ট্রিক্ট এসোসিএসনশিংনা থা অসিগী ২৩ ফাওবগী মনুংদা দি এম কোলেজ কেম্পসতা লৈবা মণিপুর বেদমিন্টন এসোসিএসনগী ওফিসতা লাক্তুনা এপ্লিকেসন সবমিট তৌরনবা খঙহল্লক্লি।

চেরোল অদুনা মখা তারদুনা নৌনা এফিলিএট তৌগদবা দিষ্ট্রিক্ট এসোসিএসনশিংনা মখোয়-মখোয়গী এসোসিএসনদা প্লেয়র মশীং কয়া এনরোল তৌবা, হৌখিবা চহী ৩ অসিদা মখোয়গী শান্নরোয়শিংগী পর্ফোর্মেন্স, এসোসিএসনশিংগী বেদমিন্টন কোর্ট য়াওনা এসোসিএসনগী ইনফ্রাষ্ট্রকচরশিং অমদি মখোয়গী এচিভমেন্টশিংগী মতাংদা অকুপ্পা ৱারোলশিং লোয়নরক্কদবনি হায়না মণিপুর বেদমিন্টন এসোসিএসনগী সেক্রেটরি এন শ্যামকুমারনা খঙহল্লক্লি।

## ৫৬শুবা লমকাং স্পোর্টস মীট হৌদোকখ্রে



ইম্ফাল, মে ১৭ (ঐচএনএস):

লমকাং কুরচুকনাও কুনপুন (এল কে কে)না শীন্দুনা ৫৬শুবা ওল লমকাং স্পোর্টস মীট ২০২২ ঙসি অংখেল চয়াং গ্রাউন্দদা হৌদোকখ্রে।

স্পোর্টস মীট অসিগী ফুটবোল মশান্নগী ওইনা পূন্না টিম ২৩না শরুক য়ারি।

নুপাগী ফুটবোলগী ঙসি অহৌবা নুমিৎকী অয়ূক্তা শান্নখিবা মেটচ অমদা অংখেল চয়াংনা খোর্পিবু ৮-২দা মায়থীবা পীখ্রে।

অংখেলগী মায় পাকপগী গোলশিং অদু দি বি রেংহোননা শান্নবগী ১৩, ৩১ অমদি ৫৬ শুবা মিনটতা অদুগা এস কে বুংহোংনা শান্নবগী ২২, ৩৫ অমদি ৭৪ শুবা মিনটতা গোল ৩/৩ অদুগা দি বি রেংঙমনা শান্নবগী ৭১ শুবা মিনটতা গোল অমা অমদি খোর্পিগী কে ঐচ রেংসিংনা শান্নবগী ৮শুবা মিনটতা আউন গোল অমা চনবা ঙমখি। খোর্পিগী গোল অনী অদুনা এস কে বুংথোট অমদি এস কে শেটপোলনা শান্নবগী ৪৬ অমদি ৫৯ শুবা মিনটতা চনবা ঙমখি।

মেটচ অসিদা রেফরি ভি এস লোরেন্সনা খোর্পিগী এস কে সেমসন অমদি অংখেলগী টি ঐচ রেংথোট অনীবু য়েলো কার্দ অমমম্ বূক তৌখি।

অতোপ্পা নুংথিল শান্নখিবা মেটচ অমদা চালোংনা কোংপেবু ৫-০দা মায়থীবা পীখি।

মায় পাকপগী গোলশিং অদু অলেক্স খাংটেননা গোল ৩ অদুগা এস কে ৱাংজোই অমদি রেংথোট দিলবুংনা অমমম্ চনবা ঙমখি।

অতোপ্পা নুংথিল শান্নখিবা মেটচ অমদা সেক্তাই কারোংনা শেনখুপিবু টাই ব্রেকতা ৩-১দা মায়থীবা পীখ্রে।

সেক্তাইগী গোলশিং অদু থেমসিং, এন্থোনি অমদি খুমরিংনা চনবা ঙমখি। অদুগা শেনখুপিগী গোল অদুনা কোহেমসননা চনখিবনি।

অমরোমদা, নুপীগী ভোলিবোলগী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা পি রালরিংখুনা থল্লাখুরেনবু সেট ৩-০দা মায়থীবা পীখ্রে।

কাঙলূপ অসিগী অতোপ্পা মেটচ অহুমদা ফাইদামনা দুঙ্কসেনলোনবু ৩-০, অংখেল চয়াংনা কোমসেনবু ৩-১ অদুগা রিন্দমখুনা সেক্তাই কারোংবু ৩-০দা মায়থীবা পীখি।

## রেষ্টলর সতেন্দর মালিক রেফরিদা খূৎ থারুবগী লাইফ বেন তৌখ্রে



কোলকাটা, মে ১৭ (এজেন্সী):

য়াম্না তাঙনা থোকপা থৌদোক অমদা কমনৱেল্থ গেমস ট্রায়লগী ঙসি শান্নখিবা কেজি ১২৫গী ফাইনেলদা মায়থীরবা মতুং সর্ভিসেসকী রেষ্টলর সতেন্দ্র মালিকনা রেফরি জগবির সিংহদা ফিজিকেল এসোল্ট তৌরুবগী নেসনল ফেদরেসননা মহাকপু লাইফ বেন তৌখ্রে।

দিসাইদিং বাউটকী লোইগদবা সেকেন্দ ১৮ ৱাৎলিঙৈ এয়র ফোর্সকী রেষ্টলর সতেন্দরনা মহাক্কী ওপোনেন্ট মোহিটতগী ৩-০ লীদ তৌদুনা চৎখি। অদুবু মোহিটনা য়াম্না ফজবা মুভ অমা তৌদুনা মহাকপু ইন্থুরবা মতুং মখা তানা পোইন্ট ১ ফংনবা সতেন্দরবু মেটকী মপান্দা ইন্থোকখি।

মোহিটকী ইন্থুবগী পোইন্ট ৩ অমদি মপান্দা ইন্থোকপগী পোইন্ট ১ পূন্না পোইন্ট ৪ ফংগদবদা রেফরি ভিরেন্দর মালিকনা মোহিটতা শুপ্নগী পোইন্ট ২ পীখি। রেফরিগী দিসিজনবু পেন্দ্রদুনা মোহিটনা চেলেঞ্জ তৌখি।

সতেন্দরগী খুঙ্গং অমত্তদগী লাকখিবা বাউটকী জুরি সত্যদেব মালিকনা দিসিজনদা অহোংবা লৈরক্তবদগী মখা তানা সিনিয়র রেফরি জগবির সিংহদা চেলেঞ্জ রিকেষ্ট তৌরকপদগী টি ভি রিপ্লে য়েংদুনা মোহিটপু পোইন্ট ৩ পীখি। মতুং তারকপদা মোহিটকী লাষ্ট পোইন্ট ১দুগা থারগা ৱিন্নর দিক্লের তৌখি।

থৌদোক অদুদগী অশাওবা ফাথবা ঙমদ্রবা সতেন্দরনা জগবিরগী মনাক্তা চঙশিল্লক্তুনা অথিবা ৱাহৈ শীজিন্নদুনা খূৎপাক্লা থাবা হৌখিবনি।

থৌদোক অদুনা আই জি ষ্টেদিয়মগী কে দি জাদব হোলদা পাঙথোকপা কেজি ৫৭কী বাউট লেপহনখি। মতুং তারকপদা রেষ্টলিং ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়াগী ওফিসলশিংনা সতেন্দরবু হোলগী মপান্দা ইন্থোক্লবা মতুং মখা তানা বাউট হৌখি। থৌদোকশিং অসি রেষ্টলিং ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়াগী প্রসিদেন্ট বৃজ ভুষন শারন সিংহগী মমাংদা থোকখিবনি।

রেষ্টলিং ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়াগী এসিষ্টেন্ট সেক্রেটরি বিনোদ টোমরনা পি টি আইদা ফোঙদোকখিবদা, সতেন্দর মালিককী মথক্তা ঐখোয়না লাইফ বেন তৌরে। ফিরেপ অসি রেষ্টলিং ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়াগী প্রসিদেন্টনা লৌরকপনি হায়খি।

## ইন্দিয়াগী নুপী পিষ্টোল শুটর ৫মক গোল্ড লৌখ্রে

ন্যু দেল্লী, মে ১৭ (এজেন্সী):

জর্মনিগী সুলদা চথরিবা আই এস এস এফ জুনিয়র ৱর্ল্ড কপকী ঙসি শান্নখিবা মিটর ২৫কী পিষ্টোল টিম ফাইনেলদা ইন্দিয়াগী নুপী শুটর মনু ভাকর, ইশা সিংহ অমদি রিদম সংৱাননা যূম্বু ওইরিবা জর্মনিবু ১৬-২দা মায়থীবা পীদুনা গোল্ড লৌখিবগা লোয়ননা ইন্দিয়াগী নুপী পিষ্টোল শুটর ৫না শরুক য়াবা অসিদা মঙামক গোল্ড লৌবা ঙমখ্রে।




মিটর ৫০গী রাইফল মিক্স টিম কম্পিটিসনগী গোল্ড মেদল মেটচতা ইন্দিয়াগী পনকজ মুখেজা অমদি সিফ্ট কোর সমরাগী প্যেরনা পোলেন্দগী মাইকেল চোনোস্কি অমদি জুলিয়া পাইওট্রোস্কাগী মখূৎতা ১২-১৬তা মায়থীদুনা সিলভর মেদল ফংবা ঙমখি।

ইন্দিয়ানা হৌজিক ফাওবদা গোল্ড ১১, সিলভর ১৩ অমদি ব্রোঞ্জ ৪ পূন্না মেদল ২৮ ফংবা ঙমখ্রে।

**IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR IMPHAL WEST, LAMSANG**

**Ref :- Mutation Case No. 129/SDC/IW-L/2022**

1. Nongmaithem Thanil Singh S/o (L) Biren alias Ito Singh of Naoremthong Khullem Leikai.
2. -do- Romio Singh S/o (L) -do- alias -do- of -do-
- Petitioners

-VS-

Late Nongmaithem Ito Singh S/o Bokul Singh of Naoremthong Khulem Leikai. - OP/Party

ꯆꯦꯡꯂꯣꯟ / **NOTICE**

16-05-2022

U/S 46(3) of MLR & LR, Act 1960 অসিনা মরম ওইদুনা খঙহল্লি মদুদি মৃত পাট্টাদার নোংমাইথেম ইতো সিংহ পী: মৃ: বোকুল সিংহ সাং নাওরেমথোং খুলেম লৈকাইগী মিংদা লৈবা ঈ:ও: তহশিলগী খুল নং ৯৬-লমদেংগী অনৌবা পাট্টা নং ৫২/৭৪৩, দাগ নং ২২৫, এরিয়া মৃ: পাট্টাদারগী শরুক ০.৩৩ চাওবা ইস্থোল অসি মথক্তা পীরিবা দংকারিশিং অসিনা মখোয়গী মমিংদা পানবীনবা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিৎ ৭নিগী মনুংদা লম অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বনা আপত্তি তৌবীনিংলবদি তৌবীবা য়াগনি। মথক্তা পীরিবা মতম অসিগী মতুংদগীদি কনা অমত্তগী আপত্তি লৈত্রে লৌরগা কোর্টনা মখা তাবা থবক চথজরগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector,**
Imphal West - Lamsang

HL-P/2740/18

**IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR IMPHAL WEST, LAMSANG**

**Ref :- Mutation Case No. 127/SDC/IW-L/2022**

G. Aluna Kabuini W/o Sanahal Kamei of Keishamthong Kabui Khul. - Petitioner

-VS-

Late Gaithoirung Secretariate Clerk S/o (L) Alen of Keishamthong. - OP/Party

ꯆꯦꯡꯂꯣꯟ / **NOTICE**


16-05-2022

U/S 46(3) of MLR & LR, Act 1960 অসিনা মরম ওইদুনা খঙহল্লি মদুদি মৃত পাট্টাদার Gaithoirung Secretariate Clerk S/o (L) Alen of Keishamthong গী মিংদা লৈবা ঈ:ও: তহশিলগী খুল নং ১০৫-লমদেং খুনৌগী অনৌবা পাট্টা নং ৫২, দাগ নং ৪৭, এরিয়া .৮৯ একর চাওবা ফৌরেল লৌফম অসি মথক্তা পীরিবা দংকারি অসিনা মাগী মমিংদা পানবীনবা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিৎ ৭নিগী মনুংদা লম অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বনা আপত্তি তৌবীনিংলবদি তৌবীবা য়াগনি। মথক্তা পীরিবা মতম অসিগী মতুংদগীদি কনা অমত্তগী আপত্তি লৈত্রে লৌরগা কোর্টনা মখা তাবা থবক চথজরগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector,**
Imphal West - Lamsang

HL-P/2740/18

## HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



**PUZZLE NO. 456**

**Daniel Fidlow - Don Felice**
**New Jersey, 1972**

1.e4 e5 2.Nf3 Nf6
3.Bc4 Bc5 4.Nxe5 O-O
5.Nc3 d5 6.Nxd5 Nxe4
7.d4 Re8 8.Qf3 Bxd4
9. ...

**QUESTION :**
**White to win**

**Puzzle 455 Ans. :**

25. ...Rxe3 The black rook decoys White's rook. 26. Rxe3 Qd5 27. f3 Qd2 Double attack Mating net 28. Qxc7 Qg2# Damiano's bishop mate
25. ...Rxe3 26. Rf1 Qd5 27. f3 Qd2
0-1

ꯑꯦꯗꯃꯤꯁꯟ ꯑꯣꯄꯦꯟ

**ADMISSION OPEN**

**FOR THE FOLLOWING COURSES**
1. RHYMES TEACHERS' TRAINING COURSE FOR PRE-PRIMARY & PRIMARY PRIVATE SCHOOLS
2. MONTESSORI TEACHERS' TRAINING COURSE FOR PRIVATE SCHOOLS
3. RHYMES & CHILD DEVELOPMENT TRAINING COURSE FOR PRIVATE SCHOOL TEACHERS & YOUNG MOTHERS
4. ENGLISH GRAMMAR & SPOKEN ENGLISH COURSE FOR ALL
5. COMPUTER COURSE (MS-Office)

**The above courses are job oriented courses for enterprising, independent young women & girls.

FOR DETAILS PLEASE CONTACT : 913857960715 / 8974642764
OR WRITE TO : phoenixrhymeschool@gmail.com

**PHOENIX SCHOOL OF TEACHERS TRAINING**
KHWAI BRAHMAPUR NAGAMAPAL, IMPHAL

HL-B/7616/22/4-20/5 (alt)

CUET ꯁꯤ.ꯌꯨ.ꯏ.ꯇꯤ
**COMMON UNIVERSITY Entrance Test CUET (UG) - 2022**
*(To be held in the month of July - 2022 by NTA)*

FORM ISSUE :- 20/04/2022
CLASS STARTS :- 16th May, 2022
ELIGIBILITY :- Class XII passed/appearing
SHIFT :- 7.00 am - 9.30 am & 2.00 pm - 3.15 pm

NTA CUET (UG)
Common University Entrance Test 2022
Under Graduate Tests
for DU, JNU, Jamia Millia, BHU, AMU and All other Central Universities (CUs)

SPECIAL FEATURES:-
1) CUET-22 SLOT-1 Session
2) CUET-22 Mock Test Session
3) Supply Study Materials
3) CUET-CBT Practice Session

For details Please Contact : Co-ordinator, APOLLO ACADEMY
Kwakeithel Bazar near AMUCO Office, (7:00 am - 3:00pm), Contact No.-8258013846

HL-B/7608/5-12



SMART TUTORIAL CENTRE
SINGJAMEI SUPERMARKET

1st POSITION HOLDER



2nd POSITION HOLDER
SHOPHIYA ASEM

ADMISSION OPEN

BOSEM/COHSEM/CBSE Separate class
SCIENCE, ARTS & COMMERCE

MEDICAL, ENGINEERING & NDA course for 2023
16th FOUNDATION COURSE 2022 (2nd batch) FOR CLASS IX,X,XI &XII
CLASS START :18th May, 25th May,30th May 2022
HOSTEL+VAN SERVICE available for both boys & girls
FREE supply of printed questions & answers, weekly exam and MEGA TEST
ALL SUBJECTS
CALL: 8787601123, 03857966211
WEBSITE: https://smarttutorial.org/
TEACHERS WANTED
PHYSICS,CHEMISTRY,BIOLOGY
M.sc. working in CBSE school

HL-B/7641/12/5-9/7

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei, Resident Editor: Dr. Khaidem Athouba; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com